ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জুলাই ০৫, ২০১৮, ইম্ফাল

৪২ শুবা চহী, ১০২শুবা মশীং

# উননা য়োম্বা ঙা পুশিল্লকপা থিংবা

## ঙা চাবা লৈবাক্লা ঙা য়োক্লরক্কুবা অফবা থৌওং নত্তে

ইন্দিয়াগী ঙা চাবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা মাঙজিল থাবা ষ্টেট অমনি হায়বা য়াই। য়ুহা হাদুনা য়ূম-কৈ তেকখ্রবা, মীশি-মীনা য়াওরবা ফাওবদসু লৈবাক অসিদা চাক্কা-ঙাগদদি হোঙহনবীয়ু হায়না নীজবা মফমনি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা ঙারম তরেৎ, শারম তরেৎনা অঙাং চাওম্বগী থৌরম পাঙথোক্লরম্মী। মসিগীদমক মমা-মপা ওইবশিংনা তোখায়না মী নেক্লগা শা তানবা চৎপা, ঙা ফাবনচিংবা তৌরম্মী। মসিনা তাক্লিবদি মৈতৈ হায়বা খুন্নাই অসি হেক পোকপদগী শিবা ফাওবদা ঙা হায়বসি থানবা য়াদবা মরুওইবা চিঞ্জাক ওইরম্মী। নিংথম থাগী মতমদা ঙা ফারগা য়াইফৌ থাদুনা কালেনগী মতমদা চাননবা থম্বগী চৎনবী লৈরম্মী। ঙারিসু মপান্দগী পুশিল্লক্লমদে, ঐখোয়গী শ্বাইদা উতোংদা নম্বা ঙারি ওইনা শীজিন্নরম্মী। করিগুম্বা মতমদা হেন্তাক শুদুনা থল্লগা চহী চুপ্পা ঙারিগী মহুৎ শিল্লগা চাবগী চৎনবী অমসু লৈরম্মী। হায়রিবা মতম অদুদি পুখ্রি-খোঙবাল, পাৎ-তুরেল মরাং কায়না লৈরিঙৈ মতমনি। য়ূম অমা পাল্লগদি পুখ্রি অমা, খোঙবাল অমা লৈতবা য়াদে হায়নরল্লিবনি। অদুবু হৌজিক্তি পুখ্রিসু মাঙখ্রে, খোঙবালসু পাইখ্রে। লল্লোনবা খরখক্লা শিনফম অমা ওইনা ঙা য়োকপা নত্তনা লন্নাই মীওইশিংনা চহী অমগী চাননবা ঙা লাংশিনবগী থবক তৌনখিদ্রে। অদুম ওইনমক চাকচা-হৈজানবা, লুহোংবগী মঙানি চাক্কৌবা, নাহুৎ-নারেং তম্বা, শঙ্গাবা, মী লৈখিদ্রবা মতুংদা ঙাতংবা হায়বনচিংবা মীওই ১০০/২০০দগী তাদনা চাক চানবগী থৌরমশিংদি হৌজিক্লা হেন্না মশীং হেনগৎলক্লি। মহৌশাদি ঙা মথেল অমা/অনীখক তৌরম্বদু হৌজিক্তি অতাওবা, অঙৌবা, তাওরগা থোংবা, অতোইবা থোংবা অমসুং অতৈ ঙা মথেলগী এঞ্জাং হাপচিন্নরক্কুনা মচু-মমেন তারবা চাকচা-হৈজানবগী থৌরমশিং ওন্থোরক্লে। মফমসিদা য়োকপা ঙানা চাকচা-হৈজানবগী মথেল-লুকোয় লাংবদা শেল য়াম্না চঙবনা মপান লৈবাক/ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী পুশিল্লকপা ঙানা মহুৎ-মরেং শিনবা হৌখিবা চহী ফনা য়ামশিল্লক্লে। অসুক য়াম্না মথৌ তাবা ঙাশিং অসি মণিপুরদা লৌমীশিংনা য়োক্লুগদি মীওই লিশীং কয়া থবক পীবদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনগী ফীভমসু কা হেন্না ফগৎকনি। ঙা লৈবদা অতোপ্পা ষ্টেটতা চাউরবা শেনফম অমা মপান্দা চৎলিবসিসু থিংবা ঙমগনি। মদু নৎত্রগদি ঐখোয়না লায়রবা ষ্টেটনি, ইন্দিয়ানা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগীময়োল শেম্বীদ্রে হায়না কোয়লাও লাউরগা ঐখোয়গী অৱাবা কোকহনবা ঙম্লোই।

ঙাদা লাইচুদুনা লৈরিবা মীতৈ খুন্নাইনা হৌজিক্তি মশানা শীজিন্নবা কোন্নগদবা ঙা পুথোকচবা ঙমদ্রে। মণিপুরগী মীয়াম্না তঙাইফদনা শীজিন্নরিবা ঙাগী চাং অসি টন লিশীং ৪২ রোমনি হায়না পানৈ। অদুবু মণিপুরদা মশানা পুথোকচরিবা ঙাগী পোখোক্লা টন ৩০, ৫০০ রোমতনি। অৱাৎপা, অহোবা ঙাগী চাং অসি অন্ধ্র প্রদেশ, বেঙ্গল, অসাম অমসুং ম্যান্মারলোমদগী পুশিল্লকই। মণিপুরদা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা উন্না য়োল্লগা পুশিল্লকপা রৌ, ঙাহৈ অমদি পেংবানচিংবা মখলগী ঙা অসি অন্ধ্র প্রদেশতগী লাকপনি। অদুগা শরেংনা বিহারদা চেনবা গঙ্গা তুরেলগুম্বদগী ফারগা মণিপুরদা পুশিল্লকপনি। মতমগী য়াওল মতুং ইন্না থৌদোক ৱাথোক অমা থোকপা মতমদা তঙাইফদনা চঙগদবা ঙাগী চাং অদু লৈরুরগা লৈকায়গী নহারোলশিংনা ঙা শেম্বগী চৎনবী অদু হৌজিক্তি মাঙখ্রে। মদুগী মহুত্তা লৈকায় লৈকায়দা উন্না য়োল্লগা পুশিল্লকপা ঙা য়োনবা অমসুং শেল্লগা য়োনবা দুকান কয়ামরুম হাংদোক্লরকখ্রে। হৌজিক্তি লৈকায় লৈকায়দা ঙা শেল্লগা য়োন্দবা মফম লৈত্রে হায়বা য়ারে। অসুম্না ষ্টেট অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহারোল লিশীং খরদি মশানা মশাবু থবক পীরি হায়না লৌবা য়াই। লুরিবা ৱাফম অমদি হন্দক নাগালেন্দদা মপান্দগী পুশিল্লকপা উন্না য়োম্বা ঙাদা ফোর্মেলিন য়াওবা থেংনরে হায়দুনা ষ্টেট অদুদা অসিগুম্বা মখলগী ঙা পুশিল্লকপা অমদি য়োনবা থিংখ্রে। মদুগী মতুং তারকপদা মণিপুরদসু মপান লমদগী উন্না য়োম্বা ঙা য়োনবা অমসুং চাবা লৈঙাক্ল া থিংখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা ঙা লল্লোনবা মীওই লিশীং খরদি শিনফম অমত্তা পান্দ্রবা, ইমুং পুননবগী লম্বী ককপীখ্রবা মীওইনা ঙাওচৎনরগা লৈরে। মখোয়গী ইমুং চরা হেনবা নত্তনা হৌজিকমক্কী ওইনদি পাম্বে লৈত্রি। মসিদসু নত্তনা লুপা লাক্ষ কয়ামরুম থাদদুনা ঙা লল্লোনজবা মীওই কয়ামরুম অমসু লৈঙাক্লা খুদক্তা উন্না য়োম্বা ঙা য়োনবা অমসুং চাবা থিংখিবদগী পোৎ শিংতবগী অৱাবা মায়োক্লরি। অসুম্না লল্লোনবশিংগী শেঙ্গাওদগী লুপা ক্রোর অমগী মথক্তা মাঙলে হায়বা ৱাকৎ লাক্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, ঙা চাবা ষ্টেট অমা ওইরগা শাংলবা মতম কয়া অমা ঐখোয়না মপান লমদগী ঙা তাংলগা চাবদা ইকায়বা পোক্ত্রিবসি করিগীনো? ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদসু থবক ফংদবা নহারোল কয়ামরুম লৈরি। অমরোমদনা ঙাগী পোখোক হেনগৎহন্নবা অমসুং মীয়াম্না ঙা য়োকপদা মতেং পীনবা ফিসরিজ দিপার্টমেন্ট লৈরি। অদুবু পূম্নমক অসিগী মহয় অমা ফাওবা চাবা ফংদ্রি। মপান্দগী ঙা পুশিল্লকপা লেপখিবদা ঐখোয় ঙা চাবা ফংলরোইদ্রা হায়না মীপাইনরিবা অসি মতম চুপ্পগী ওইনা কোকহনগে হায়বা তারগদি ঐখোয়সু ঙা পুথোকপা মরুওইবা ষ্টেট অমা ওইহনবা তাই। লোক্তাক পাৎখক্তদা ঙা য়োকপগী চৎনবী থাদোক্লগা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎতুনা ঙা য়োক্তবা য়াদবগী থৌশিল অমা শেমসি। লৈঙাক্লা শেল থাদরগা ঙামীশিং শেমগৎপীয়ু অমসুং মখোয়পু পূক্লিং থৌগৎপীরগা ঙা মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনসি হায়জনীংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### ম্যান্মারনা লম খোপচিল্লকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌজিক** হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক বি জে পিনা পায়রি। মণিপুরসু ইন্দিয়াগী মনুং চল্লুবনা বি জে পিনা পায়রি। মতাং অসিদা থমজরিবা ৱাফমদি ম্যান্মারনা মণিপুরগী ঙমখৈদা বাউন্দরি পিল্লর হোংজিন্দুনা লম খোপচিল্লক্লে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ৱাকৎলবসু মণিপুরদগী বর্ম্মানা হেন্না নুংশিবগুম ইন্দিয়ানা থৌ ওইনা লৌদবগী মওংদা নিংঙাইদনা তুমিন্না লৈথোক্লি। মসিনা তাকপদি মণিপুরদগী ম্যান্মারনা হেন্না লূম্বগী মমি তাই। মণিপুরগী থৌনাদি ম্যান্মারনা হৌজিকমকসু কিরিবনি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিসু তৌরক্লোই খনবা মানবা থৌওং অসিনা তাকপদি মণিপুরগী ঙমখৈ খরা পিকশিল্লবসু করিসু কায়দে খনবগী মওংনি, ম্যান্মারবু কিবগী মওংনি। ইন্দিয়ানা ম্যান্মারবু কিরবসু মণিপুরনদি করিসু কিদে। হায়বদি বর্ম্মাদি মণিপুরগী চৈফু হৌজিক ফাওবদা নীংশিংলম্বা য়াই।বর্ম্মানা খ্বাইদগী কিবা নিংথৌদি মীয়াম্না পাওথোক্লিবা গরিবনিৱাজ পামহৈবা অসিনি। মহাক্লা বর্ম্মাগী কোনুং থুগাইগে থৌরাংলম্বনি (ঙমসু ঙন্বা মীদানি) অদুবু মহাক্কী লানগী ফিরাল খঙহৌদনা তুখিবদগী চিংনদুনা তোকখিবনি।

*অদোমগী - ডা. অকোইজমচা নারেন*

*নিংঙোম্বম ইম্ফাল ৱেষ্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৫

১। খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসি মৈতৈশিংগীদি মুৎপা নাইররোইদবা শৈখল অমনি।
(ক) শৈশক অসি করম্বা নিংথৌগী সনা হাক্তক্তা শকপা হৌখিবগে?
(খ) শৈশক অসিবু ইহান হান্না শক্লম্বা শৈশকপা ওজাদু কনানো?

২। "থাজৌ ঐ মীনি/চাও, ঐবু চাও/...ঐ নঙগী চিঞ্জাক্লি/ঐবু চাও।" পরেংশিংসি খুন্দ্রাকপম ব্রজচান্দনা ইবা দ্রামা অমদগী লৌথোকপনি। দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু?

৩। "তীলোতমা, কাউরবরা নঙবু অদুঙৈগী সন্ধ্যা য়াচংবা মতুংদা ইবানি উনখিবদো?" পরেং অসিনা 'অফবা পৃথিবী' কৌবা উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "মতম মতম হৌখ্রবা মতম/লাইরৈবাক্কী অমম্বসিদা/হিংলকপনি নঙ/হিংলকপনি নুপী নঙ।" পরেংশিং অসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু?

৫। 'ঐগী পুন্সিগী নীংশিংবা ৱা খরা' কৌবা নীংশিং ৱারীগী লাইরিক অদু কনানা ইরম্বনো? মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়া হৌজিক চহী ৭১ শুরে

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**ঐহাক** ইশানা য়াজে - ঐ স্কোলার অমা নত্তে। করিগুম্বা হীরম অমত্তদা থিজিন-হুমজিন তৌদুনা ওথোরেটেটিব ওইবা ষ্টেটমেন্ট অমা পীনবা, ফাইন্দিং অমা পুথোক্লবা হোৎনবরুবসু তৌদে। তৌগে হায়নসু খল্লুদে। মতম অদু হেনখ্রে, তৌরুবইসু কান্নবা লৈতরে। রিছার্স অমা তৌরগা, রিছার্স স্কোলর ওইরগা দোক্টরেট দিগ্রী পায়রগা থবক অমা ফংগনি হায়বই ৱাখলদুদি নহা ওইরিঙৈ খন্দৌনি। ঙসিগী চহী মতাংসিদা হৌজিক্তি কৈদৌনরুনি? অদুবু, ঐগী পুন্সি খোঙলোয়দুগা ঐগা হেক-হেক, মরক-মরক লাউনবগী মরম অমদি - 'ঐনা ঐগী ষ্টদি রুমসিদা করিগুম্বা লাইরিক অমা নৎত্রগা অমা পাদুনা লৈবগী হৈনবী, তঙায়ফদনা পায়রুবা শিনফম অসি ঙম্নবা নোংমগী করিগুম্বা খরা ইদবা য়াদবগী কম্পলসন অসি ঙম্নবা হোৎনবা' অসিনি।

'নঙবু হৌজিক মহৈ তল্লিবা অঙাংলা-উ? মেত্রিক থাগদৌরিবা অঙাং অমগুম লাইরিক তৌফম কাসিদা কৃন্দুন'সুম লৈবসিবু - করম্না য়ূম পানমিন্নদোইনো?' অসুম্ন'সুম খরা লাউনা, খরা চৈনা চহী কুন্থ্রা শুরক্লে ইবানি লৈমিন্নরক্লিবা। মানা হায়বদা অচুম্বা অমদি য়াওরি - 'ইবা পামজে হায়দুনা লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্লবা ইবসু নত্তবা, এৱার্দ অমা ফংনবা, মীংচৎ তান্নবসু হোৎনদবা, অদু ওইরবদি ইবই কান্নবা করিনো?'

ঐগা-মীগা ৱাখল মান্নদ্রিবসি 'সিদনি। ঐগীদি 'ইবা অমসুং পাবা' সি ইশাগী পামজবা অমনি। লাইরিক ফোঙবা, এৱার্দ তান্নবা, মীংচৎ থিবা ... ঐগী অপাম্বই লিষ্ট'তা য়াওদে। অসুম্বা, ঐগী মীমান্নদবা ৱাখলসি, ঐগী মরুপ-মপাং-সার্কল ৱাৎপগী অচৌবা মরম অমনি। মণিপুর অসি কুমজা ১৮৯১দগী ১৯৪৭ ফাওবা নীংতম্বা লৈপাক অমা হায়বদু মপূম ফানা ওইদ্রগসু বৃটিশ লৈঙাক্কী মখাদা মীখা পোনবা লৈপাক অমা হায়বদুদি ওইরকখিদে হায়বা ঐগী ৱাঙাঙ অসি ঐগী মরুপ-মপাংশিংগী খ্বাইদই খোয়শাউনবা ৱাঙাঙনি। মীয়াম হুপ্পা খঙনরবা কুমজা ১৮৯১-এংগ্লো-মণিপুর-লানদুগী মতুংদা, মণিপুরগী নিংথৌনা মনীং তম্না লৈপাক ঙাকপা ঙমখিদ্রবসু বৃটিশশিংনা মখূত্তগী লৈঙাক-থৌদা পুরা ওইনা মুনখিবদি তৌরমদে, নিংথৌ লৈঙাক মুখৎলমদে। সোসল অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্ম পুরক্লম্মী। মোর্দনাইজেসন'দা নিংথৌগী মতেং পাংলম্মী। হোয়, অশোয়বা অমা হায়বা তারবা, চীংগী লমগী এদমিনিষ্ট্রেসন নিংথৌগী এদমিনিষ্ট্রেসন'দগী খাইদোক্লমখিবা অদুনি।

কুমজা ১৯৪৭, বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা মণিপুরসু থাদোক্লম্বনি। কুমজা ১৮৯১গী মতুংদা মণিপুরগী মীওই কাঙলূপ অমত্তনা বৃটিশ রুলগী মায়োক্তা নীংতম ঈহৌ হৌখিদে, নীংতম লান থেংনখিদে। হায়বদি, ইন্দিয়নশিংদা চথবগুম বৃটিশশিংনা মণিপুরদা মীওৎ মীনৈ চথখিদে। অনীশুবা লাঞ্জাওগী লানগী চৈথেংদুনা অমনি। নীংতম-লানগী এক্সপরিয়েন্সতুদি লৈখিদে। ইরাবতনা হৌখিবা ঈহৌ, নিংথৌগী কা-হেনবা থৌওং-থৌশিলগী মায়োক্তনি, বৃটিশশিংগী অশোয়বা-অরানবা থৌশিলগী মায়োক্তা নত্তে। ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭কী মতুংদা মণিপুরগী লৈপাক মীয়াম, মীয়াম লৈঙাক অমগীদমক নীংথিনা শেম শাখিদে। পোলিটিকল মুভমেন্ট লৈখিদবনা, পোলিটিকল লীদর পোকখিদে। অপীকপা কন্সটিট্যুসন অমা শেমদুনা, কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিগী মীখল অমা পাঙথোকচরুই হায়বতনি, মীয়াম হুপ্পা পোলিটিকল ঈহৌ অমগী তুংদা পাঙথোকপা মীখল নত্তবনা, নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা নমকৌ কৌদুনা 'ইন্দিয়াদা পূনবগী য়ান-চে অমা (মর্জর এগ্রীমেন্ট) ১৯৪৯, সেপ্টেম্বর ২১দা খূৎয়েক পীনদুনা, ঈ-নাই তাদবা 'পোলিটিকল কু' অমা তৌদুনা, নাখৈ শেংনা নীংতম্বা ফংবতা ঙায়রিবা ইন্দিয়াগী মখা পোনবা লৈপাক অমা ওইহনখিবনি - ১৯৪৯ ওক্টোবর ১৫দগী। মতম, পুংফম অদুদসু মীয়ামগী ঈহৌ অমত্তা লাকখিদে। হরাউদুনা থাবল চোঙখি হায়বা পাউনিনখোল অমদুম শন্দোরক্লিবসিনি।

থৌদোকশিংসিনা ময়েক শেংনা তাকই মদুদি, কুমজা ১৯৪৭ - মণিপুরনা ময়েক শেংনা নীংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈপাক ওইরকপা মতমদুদগী কুমজা ১৯৬৬ অদুৱাইফাও, 'মনীংতম্বা লৈপাক অমা ওইজগদবনি' হায়দুনা মরৈবাক নীংবা মমণিপুর মচা অমত্তসু থোরকখিদে। নাগাশিংগী ওইবা ঈহৌদি মতমদুদই লৈরকখি।

ৱাসি ৱাফে চৎখিদৌরে। লৈপাকসিগী পোলিটিকল হিষ্টরি নৈনগে খন্না ইজরুবা ৱারেংসু নত্তে। ইন্দিয়াবু ওইরো, মণিপুরবু ওইরো - নীংতম্বা লৈপাক অমা ওইরকপা চহী ৭১ মপূম ফারক্লবা লৈপাকসিদা লৈরিবা নীংতম্বা লৈপাকমচা (নাগরিক/সিটিজেন) ময়ামসিগী ৱাখলগী থাক অমুক্তং নৈনজনীংবা অমা পোক্লক্তুনা ৱারেং অসি ইজবনি। অহৌবদা পঞ্জখিবদুনি, ইজরিবা খরসি এক্সপার্ট ওপিনিয়ন'নি খনবীগনু। পামজরুবা, খঙজরুবা খরদুনা খলহল্লকপা ৱাখলনি।

চহী ৩৫০ রোম ইন্দিয়াদা রুল তৌরল্লবা বৃটিশশিংনা, নীংতম্বগী অতে দালন চহী মরিফুরোম মায়োক্লরবা মতুংদা ইন্দিয়াবু নীংতম্বা লৈপাক ওইহন্নবা ৱা খন্নরকপদা মতম অমগী বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর, লিটরেচরগী নোবেল প্রাইজ ৱিন্নর 'ৱিনষ্টন চর্চিল' না হায়রমখি হায়বদু নীংশিংলকই ... 'ইন্দিয়াবু করিগুম্বা নীংতম্বা লৈপাক ওইহল্লবা, লৈঙাক শক্তি অদু মপূক শেংদবা, হুরানবশিংগী খূত্তা তাদুনা লৈপাকসি কাং-খোং চাইগনি'...। লোর্দ মাউন্টবেন্টন'নসু মাগী দাইরিদা ইরমখি হায়... 'ঐনা ইন্দিয়াবু থম্মোয় শেংনা নুংশি, মরম অদুনা, লৈপাক অসি কন্নবা নীংতম্বা লৈপাক ওইহন্নীংদে'...।

চহী ৭১ চূপ্লা ইশানা ইশাবু লৈঙাকচরক্লবা লৈপাকসিগী মশক মতৌ অমুক্তং হঙ্গৎনা য়েংলুবদি চুমদরা? ইকনমি অমদি ইন্দষ্ট্রিদা পাদম ওনবা চাওখৎপগী থাক অদুদদি হায়দুনা কান্নদে, নৈনরগুমসি। নীংতম্বা লৈপাক ওইরকপা ইন্দিয়ানা চহী ১৮ হানবা ঈথৎ লৈপাক ইম্ফাল তম্পাক্লা হেন্না চাউবা 'সিঙ্গাপোর' না ইন্দিয়াদগী চহী ২৫গী খোংকাপ হান্না থাংখ্রবা লৈপাক অমা ওইখ্রবনি। অতোপ্পগা চাংদম্ন দনা, ইন্দিয়াগী (ফোর দেট মেত্তর মণিপুরগী) চাওখৎপগী নাপচৈসি মওং মরিদা ওন্দুনা নৈনগদবনি - ১) পোলিটিকল ফ্রীদম; ২) সোসল জষ্টিশ; ৩) কলচরেল ফ্রীদম অমদি ৪) ইকনমিক ইক্বেলিটি। দিল্লি, মুম্বাই, চেন্নাই, বেঙ্গলোর, কোলকটাগী চাওখৎপই থাক অদুনা ইন্দিয়াগী থাক লেপকদবা নত্তে। কৃপ্না য়েংশিল্লুরবা, লম্ খুদিংমক্তা নীংবা কায়নীংঙাই মশকনি।

উম! নীংতম্বা ইন্দিয়াগী খ্বাইদই চাউবা এচিভমেন্ট করিনো? হংবা তারবা, মসিমদি চিংনদনা হায়বা য়াই মদুদি, কন্সটিট্যুসনগী প্রোবিজন মতুং ইন্না চহী মঙা খুদিংগী পাঙথোক্লিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী পার্লিয়ামেন্ট শেম্নবা অমদি ষ্টেটশিংগী বিধান সভা (লেজিসলেটিভ এসেমব্লি) চাং নাইনা পাঙথোকপা ঙম্বা অসিনি। কন্সটিট্যুসন্না পীবা হক অমনিদি হায়রগা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন, হায়নীংবা হায়বা, ফোঙনীংবা ফোঙবা, ইনীংবা ইবদা পীরিবা অথীংবা, সপ্রেসন ওফ এক্সপ্রেসন অসিদি শিংথানীংঙাই মশকনি। আর্মি অমদি পেরা-মিলিটরি ফোর্স, পুলিসনচিংবা, বৃটিশ মোদেল লৌরগা শেমখিবা ষ্টেট এক্টরশিং শীজিন্নদুনা মীয়ামগী ফংফম থোকপা হক তানবা মীচম-মীয়ামগী ঈহৌ নেৎথক্তুনা নমথবীবগী থৌওং অসিমসু অতোপ্পা লৈবাকশিংনা তমজনীংঙাইনি। কাঙলূপ-ফুরুপ, অচৌ-পিশক, অৱাং-অনেম খায়দুনা মান্নদবা চাকথুং ফংহনবগী চৎনবী ইন্দিয়াদতনি উরিবা।

নুপা-নুপী মান্নবা হক ইন্দিয়াদদি ফংহল্লি হায়বা য়ানবা - নুপী প্রাইম মিনিষ্টর, নুপী প্রসিদেন্ট পুথোকখ্রে হায়জবতনি - মিতল্লক্লিবা অঙাংবু নুপীনি খঙদোক্লগা হাত্তোকপা ইন্দিয়াদতনি চৎনবা। ঙাঙনীংবা লোন ঙাঙবা য়াবা (লিঙ্গুইষ্টিক প্লুরেলিজম) অমদি নীংনীংবা লাই নীংবা য়াবা (সিক্যুলারিজম) - ইন্দিয়াগী আইদেন্টিটি অমনি লাউজবতনি - মফম খুদিং চৎনরিবা বার্বারিক কম্যুনেলিজমনি।

চহী ৭২গী তুংসিদা ইন্দিয়া, ঙসিসু অদুম খুদোংথীনীংঙাই থাক্তুন্দই হেনগৎত্রি।

# হৌজিক ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফীভম

**- সোরোক নোরেন -**

**মহৈরোয়** অমগী পুন্সিদা খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈ তম্ফম শঙ অসি য়ুনিভর্সিটিগী থাক অসিনি। অদুগা অৱাংবা মহৈ তম্ফম শঙ অসিদা তমগদৌরিবা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিং অদুসু খ্বাইদগী থাক ৱাংলবা মহৈরোয় অমদি ওজাশিং ওইরিবনি। মরমদি খ্বাইদগী নেম্বা মপি লাইরিক্তগী হৌরগা মথং মথং লান্দুনা কোলেজগী থাক লোইশিল্লে। ঙসিনা অমুক কোলেজগী থাক লোইরগা য়ুনিভর্সিটিগী থাক চঙলক্লবা মহৈরোয়শিং অসি অফ-ফত্ত মুন্না খঙলবা হীরম অয়াম্বদা মায়পুনবা ঙম্নবগী খোঙ য়াঙশিনবা হৌরক্লবা অদুগুম্বা মহৈরোয়শিংনি। শম্না হায়রবদা লম্ অমদা মাষ্টর তৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনি হায়জনীংই। অসিগুম্বা মহৈরোয়শিং অসিনা চঙশিল্লক্লিবা ঙসিগী খোঙজং মুন্না খন্থবা মতম য়াম্না থেংলে।

মহৈরোয়শিং অসিগী খ্বাইদগী লুরবা মীকুপ অসিদা ঙসিদগী থা অমা হেন্না মহৈ তম্বা ফংলক্রে। মসি তরাই তরাই লৌবা য়াখিগদ্রা। কদাইদগী কমদৌনা হৌরক্লিবা ঈরাংনো থিজিনবদা অরায়বা নত্তে। চুম্ন দগী মহৈরোয় খক্তংনা হৌরকপা ঈরাং ওইদ্রে হৌজিক্তি। মহৈরোয়শিংনা হৌরকপা ঈরাং ওইরবসু হৌজিক্তি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসন লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অকোয়বদা তারিবা মীয়াম, মৈরা পায়বী, লোকেল ক্লব, সোসল ওর্গেনাইজেসন কয়ানা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা অপূনবা ওইনা চঙশিল্লকপা অচৌবা খোঙজং হায়বদু ওইরে। চুম্ন া মহৈ তাকপীরিবা ওজাখক্তা নত্তনা দিপার্টমেন্টশিং পূম্নমক্কী হেদ লোইনমক ঈহৌ অসিদা সপোর্ট তৌদুনা মাগী মাগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে। অদুনদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ঙসিগী ঈরাং হায়বদি রেসপেক্টেদ ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেগী ফমদগী রিজাইন তৌ নৎত্রগা মাবু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী ফমদগী লৌথোকউ হায়বনি।

হীরম অসিগী মতাংদা অফ-ফত্ত কয়ামরুম লৈরম্বা য়াই। অদুবু ঙসিগী ঈহৌ অসিদি নাকল অনীমক্কী ওইনা য়েংবা তারবদি ভাইস চাঞ্চেল্লরনা হৌজিক লেপ্পিবা মফম অসিদি য়াম্না লুবা তাঞ্জানি। অমরোমদা, মুসুনা এলিগেসন তৌরিবা হীরম কয়ামুক অসিগী পাউখুম ওইনা ভাইস চাঞ্চেল্লরনা শেংদোক্লবসু খোঙজং অসিদি হেন্না কনশিল্লক্লি। মাষ্টর তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা ঈরাং হৌই তাবদা খন্থদবা য়াদে। লোয়ননা মাষ্টরগী মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীরিবা ওজা মখোয়না ঈহৌ অসিদা শৌগৎলি তাবদনা অমুক্কা হেন্না মীপাইবা পোকহল্লি। মরমদি হায়রিবা কাঙলূপশিং অসিদি খ্বাইদগী ৱাখল লৈনা অৱাংবা ৱাখল অমদি ঈংনা তপ্না লেঞ্জবা পুন্সি ঙাক্তনি। নোংমগী মনুংদা লৈরিবা পুং ২৪ অসি হায়রিবা মহৈরোয়শিং অসিদদি সনাগুম মমল লৈবা ঙাক্তনি। মফম অসিদগী হেক লোইবগা পুন্সি শিন্থা পাংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা অদু ঙাইদুনা লৈরিবনি। খরা খরদগী ঙসিগা থানা নুমিৎ ৩৭নি শুরে মহৈ তম্বা ফংলক্তবা। মসিগী থৌদাং কনানা পুগদৌরি। মতাং অসিদবু থৌদাং পুগনি হায়রগা হেক্তা য়াগদ্রা। করিগীনো মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবা ঙমদ্রিবসিনা। মপূ পান্দবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হায়বদু ওইরিব্রা। অদুগা ভাইস চাঞ্চেল্লরনদি মাগী মরাল লৈতে, ফম থাদোক্লোই হায়দুনা মখৌ পোংনা ঙাঙলিবসিগী মরুমদা করি অরোনবা ৱাফম লৈরিবা।

ষ্টেট অমগী মীংদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি অমগী অরোনবা হায়দোকপা য়াদবা কয়ামরুম অমসু লৈরমগনি। হীরম অদোমদা মীচম মীয়াম্না য়েংশিল্লুবসু চুল্লোই। হায়রিবা অচুম চুমদগী পোৎশকশিংদুদি মখোয়বু য়েংশিনবা ঙম্বা অৱাংবা থাক্কী কম্মিটি অমনা য়েংশিল্লবা কান্দা অমমমতা ওইনা চোঙথোরকপসু য়াই। মদুনা ওফিসিয়েল প্রোসেস ওইনা চোঙথোরকপসু য়াই। মদুনা ওফিসিয়েল প্রোসেস ওইনা লৈরগসু ইচম চম্না অপূনবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মীপূম খুদিংমক্লা মাবু ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা মখা তানা লৈহনবা পামদ্রে হায়বসিদা খজিক্তং খন্থরগসু অদুমদি লোইশিল্লম্বা য়াবনি। মতমদু ঙসিদি হৌখ্রে। থা অমা মখায় ফাগদৌরবা মতম অসিদি অতেনবা মতম কৌবা য়াররোই। মণিপুরগী লৈঙাক্লা আই এ এস, আই পি এসকী কেদর য়াওনা অতেনবা মতমদা ত্রান্সফর পোষ্টিং য়াম্না তোয়না হোংদোক হোংজিন তৌবা থেংনৈ। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী পোলিসি নৎত্রবসু ভাইস চাঞ্চেল্লরসু অতোপ্পা য়ুনিভর্সিটি অমদা ত্রান্সফর পীবা য়াফম থোকই। মাগী টর্ম লোইদ্রিবফাওবা ফম কোন্দুনা লৈতবা য়াদে হায়বগী চৎনবী লৈব্রা। মসিসু ৱাহং অমা ওইহনবা তারিব্রা। ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা এপোইন্ট তৌরক্লিবনিনা ত্রান্সফর তৌবসু য়াফম থোকই। মতাংসিদা করিগীনো হৌজিক ফাওবা তুমিন লৈনরিবসিবো। ৱারী শান্নবা হায়বা পাড়া অমসু লৈবগুম তৌবদাই। অদুবু হন্দক্কী মতাংসিদি ৱারী শান্নগদবা নাকল নাকলগী য়াশিন্নবা য়ারোইদবগী ফীভমদা চপ লেপ্তুনা লৈখ্রে। য়াম্না লুরি হায়বা তাই মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক। পূম্নমক অসিগী মরু অসি হৌজিক ওইরিবা ভাইস চাঞ্চেল্লরনা ইফ ফজনা রিজাইন তৌবা অমা নৎত্রগা মণিপুর নত্তবা অতোপ্পা অচৌবা ষ্টেট অমগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা চৎখিবদা লোইশিনবা য়াবা ঈহৌদি ওইবা য়াই খল্লি।

অদুবু পাউচে অসিগী জুন ২৫ নিংথৌকাবা নুমিৎকী চেফোংদা ভাইস চাঞ্চেল্লর অদ্য প্রসাদ মশানা মহাক মরাল লৈতে ফম থাদোক্লোই হায়দুনা য়াম্না কন্না ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদনা ভাইস চাঞ্চেল্লর অদ্য প্রসাদ লৌথোক্তুবদি হায়দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্কী হেদ পূম্নমক রিজাইন তৌখ্রে। করিগুম্বা ভাইস চাঞ্চেল্লরনা ঙমদুনা মখা তানা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা লৈথবা তারগদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস করি ওইরকপা মসিসু খলহৌবা চুমগনি। ঐখোয় মীয়াম্নদি আই এল পি কাঙবু হায়রগা খঙনবা মখোয়গী অচৌবা মিনিষ্টিরশিংগী থৌনা লিংজেল খরদি উখ্রে। রেলৱে মিনিষ্টর ওইবা অমনা মানা পায়রিবা পোর্টফোলিও অদুগী মগুণ ঙাকপা ওইনা মিনিষ্টর মশানা থোকহনবা নত্তবা অচৌবা রেল এক্সিদেন্টে অমদা মাগী থৌদাংনি হায়দুনা রেলৱে মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌবা থেংনখ্রে। মথৌনা লৈবা মথৌ মশক খঙবা ফমখক্তগী খন্দবা পোলিটিক্সকী লুচিংবা ময়াম অমা লৈ মীরমগী। ঐখোয়গী ষ্টেটতদি অদুগুম্বা লৈবাক্কী অচৌবা ইস্যু লাকপদা ফম কোন্দুনা লৈবা, ফম থাদোক্লিংদবা পোলিটিকেল পার্টিনি হায়দুনা ঙাঙনখিবসু য়াওই। ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরিবা অদ্য প্রসাদ পান্দেসু মণিপুরগী ঈশিং থক্লুবনা অসুক কল্লবা ঈরাং অসিদা মণিপুর মচাগুম ফম শুংথা থাদোক্লোই হায়দুনা শিখাং খাংদুনা লৈখ্রে। মসি অচুম্বা লম্বী অমদি ওইরক্তবা য়াই। ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইবা য়াবগী শক্তি লৈরিবনিনা অমা নৎত্রগা মফম অমদা ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরুবসিবু কয়ামুক য়াম্না কায়গদগে। ফনা চুল্লম্বা লৈরগসু ভাইস চাঞ্চেল্লর মশানা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় কয়াগী পুন্সিবু খনবীরগা মণিপুর থাদোকপসি অরুবা ওইফমদি থোক্তে। করিগীদমক্তনো অদ্য প্রসাদনা মণিপুরবু অসুক য়াম্না নুংশিরুরিবসে। তশেংনা নুংশিবিরবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবিফম থোকই। মহৈরোয় অমগী পুন্সিদা থা অমমখায়গী মতম য়াম্না শাংবা মতমনি হায়বা ওজা খুদিংমক্ল া হেন্না খঙলিবদুনি।

মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমগী ওইনা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি অমদা ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইবা ফংবগী চাউথোকচবদু অদ্য প্রসাদতা লৈরম্বদি য়াই। করিগীসু চাউথোক্লোই। করি ৱাৎলি মণিপুর লমদমগী। অৱাং নোংপোক লমদমখক্তা নত্তে মালেম পূম্বদা মণিপুরগী মতিক মঙাল পূম্নমক্লা খঙলিবনি। অদুবু ভাইস চাঞ্চেল্লর অমগী হাক্তক্তা য়ুনিভর্সিটি অমগী মহৈরোয়শিং লৈখা তানবা হোৎনবদি অফবা লম্বেল নত্তে হায়নীংই। ইহান হান্না লাকপদা ভি সী ফৎত্রে লৈবা য়ারোই হায়বদি মহৈরোয় অমদি ওজাশিংগী মচিন্দা অমতসু পনখিদে। অদুবু ঙসিদি হায়নরুবা তৌদনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মীপূম পূম্নমক্তগী হেন্দোক্তুনা চাউরবা মহৈশঙ অসিগী অকোয়বদা তারিবা খুঞ্জা পূম্নমক্লা ভি সীগী মায়োক্তা লেপ্পলবসিফাও পংশিন্নদুনা লৈবা তারিব্রা। মীওইবদি মীওইবগী লিচৎ চৎতুনা মীনুংশিগী মীৎয়েং খরসু য়েংলমউ। কনানা খঙবা মীওইবগী পুন্সিবু। হৌজিক পিক্লবা ঐগী মণিপুরদি মীওইবখক্তা য়েংশিনবা নত্তনা মহৌশানা ফাওবা য়েংশিনবীদুনা ঙরাং নহানতনি ঈচাউগী অৱাবা কোক্লিবা। লায়রবা লমদমনি, শেন্থোক মরাং কায়দনা অরৈবা খরনা হিংবা ঙম্নবা হোৎনরিবা। মালেমদা ইমা লৈবাকপু মশক তাক্লক্লিবসু মশা মশানা হোৎনজমনগী মহয়নি। অচৌবা ঈশিংগী ঙাগুম চাউরকপা মখোয়না লায়রবা লমদমসিগী মহৈরোয়শিংদা অমদি ওজাশিংগী মফমদা ভি সীনা করি লাল্লুরে মসি চপ চানদি শেংদোকফম থোকপনি। ভি সীনা ফনা য়াম্না শেংদোক্লবসু ঐগী চল্লবা মহৈরোয়শিংনদি পেনদ্রি মসি ভি সী খক্তনা খঙফম থোকই। ভি সীনা করি লাল্লুরে, অশোয়বা মচা অমখক্কীদমক লৈবাক পুংজাও থিনবা হৌনব্রা অদুগসু ঐ লাদে হায়বসিবু ভি সীনা চুল্লি হায়গদবা মতাংদু খরা চাফাত্তবা মাল্লি।

খঙদি খঙই ভি সীগী নতুংদা অচৌবা অঙম্বা কয়া লৈ হায়বা। অদু ওইরবসু থোক্লক্লিবা ঈহৌসিদি মীচং শঙ্গনা অচুম্বা শকপদুদি য়ানীংদে। অদু নৎত্রগা ভি সীগী মায়োক্তা পূম্নমক্লা লেপ্পল্লক্লিবসি। হৌজিক্তি মণিপুরগী লৈঙাকসু ভি সীগী মীচংনি। মসিসু লোইনমক্লা খঙলে করিগুম্বা খোঙফম অসিনা হন্নদ্রবদি অমাং অতোং থিনবা ঙম্লক্তবা য়াই। অতোপ্পা মফম অমা ওইরবদি খন্নরম্বসু য়াবনি। খ্বাইদগী শেংলবা মফম ওইবতা নত্তনা লমদমসিগী মহৈলোইশঙ কয়াগী পন্থুংফম ওইরিবনি। অসিগুম্বা শেংলবা মফম অসি ভি সীনদি অচুম্বা অফবা থবকনি হায়রিবা পূম্বা মহৈরোয় অমত্তনা অচুম্বনি হায়বা য়াদ্রি। অদুবু মহৈরোয়খক্তনা য়াদব্রা হায়ববু দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্কী মীওইনসু য়াদ্রি। অদুনবু মশা মশাগী খূৎয়েক পীদুনা ভি সীগী নখাদা লৈররোই হায়দুনা রিজাইন তৌনরক্লিবা। পূম্নমক অমত্তা লৈত্রবদা ভি সী নথক্তনা অচুম্বা চৎপা লমদমসিগী খনবা অশেংবা ভি সীনি হায়দুনা কয়াম কুইনা লৈখিনি। মতাংসিদা মণিপুরগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অমদি সেন্তরগী মায়কৈদগী ৱাহৈ অমফাওবা হায়রক্তবা অসিনা অমুক্কা হেন্নসু চমন্নহল্লে। হৌজিক শুপ্প গী য়ুনিভর্সিটি অসিগী মনুংগী মহৈরোয়খক্তগী ৱা নত্তনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মখাদা লৈরিবা মহৈলোইশঙ পূম্নমক মখা চথবা য়াদনা পূম্নমক চপ লেপ্লি। মসিগী থৌদাংনা কনানা লৌগদৌরি। মহৈরোয়শিংগীদি হৌজিক খ্বাইদগী চিরবা তাঞ্জানি। লৈবা লৈতবা থিদনা মচাশিংবু ফহন্নীংবনা ঙাওরবা মমা-মপাগী পূক্লিংগী ইহুল খঙনা তৌবিরম্বদা ভি সীগী করিসু থোইদোকপা কায়রোইদ্রা খল্লি। হন্দক্কী চহী অসিনা করিগুম্বা লাল্লোং অসি অসুমক চথবা তারবদি মাঙগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী পুন্সিনা ভি সীবু কনবীবা ঙল্লক্তবসু য়াই। চৎনীংবা মফম অমদা চৎপদা ইকায়খুম্নরবা অদ্য প্রসাদতি ময়েং তাগদবা লৈতে। তুংদা অমদি হৌজিক্কী ওইনা মাঙহৌগদৌরিবসি মহৈরোয় খক্তনি মসি কাউবীদবা ফৈ খল্লি। মহৈরোয় পূম্নমক অমদি দিপার্টমেন্টকী ওজাশিং লোইনমক চাউরবা এদমিনিষ্ট্রেসনগী কাঙবু য়াওদ্রবদা ভাইস চাঞ্চেল্লর মথন্তা ফম্বা ঙল্লিব্রা।

অরোইবদা, লমদম অসিগী মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা চাউরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোকসি ভি সীদগী হৌরকপনিনা ভি সীনা লোইশিনফম থোকই হায়বা ৱাহৈসিমতং থমনীংই। পূম্নমক্কী মরুদি ভি সীনি। অদুগা অশোয়বা, অরানবা, অচুম্বসু ভি সীখক্তনি ময়েক শেংনা খঙগদবা। মহৈরোয়দি মহৈরোয়নি। অফবা ৱাখল লৌশিং ওজা গুরুশিংদগী লৌহৌরগা মতিক চাবা মী অমা ওইবা ঙম্বগী পাঙ্গল থৌনা পীবিরমউ হায়না থৌজাল নীজগদবদুবু ভি সীনা শেরান্নবা ৱাখলনা লম্মাংনহল্লে। ভি সীনা তশেংনা মণিপুরবু নুংশিবিরবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সীগী ফম থাদোকপীরগা তং তাদ্রিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফীভম তং তানা শান্তি ওইনা মহৈ তমজবদা মতেং পাংবিরমউ হায়বা ৱাহৈসিমতং নীংশিংজরি।